# কে সী সী কোংবনা ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল অদুগা য়ু সী সী উরিপোক্না বি এস সী-বি মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ)না শিন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ১২রকশুবা টি-২০ ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা কে সী সী কোংবনা ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল অদুগা য়ু সী সী উরিপোক্না বি এস সী-বি ব্রহ্মপুর মায়থীবা পীখ্রে।







কে সী সী অমসুং ৱাই য়ু সী সীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই য়ু সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাওসাদ অমসুং বিদিসননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন অনীনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা নাওসাদনা বোল ৬০ মায়োক্নবদা রন ৫৯ লৌরগা আউট ওইদনা মেটচ লোইবা ফাওবা লৈবা ঙমখি। অদুগা বিদিসননা বোল ১১ মায়োক্নবদা রন ১২ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংশিল্লমখি। ৱাই য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৮ লৌবা ঙমখি।

কে সী সীনা টার্গেট রন ১২৯ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবা রোবর্টসননা বোল ৫ মায়োক্নবদা রন ৫ খক লৌরল্লগা আউট ওইখ্রবসু মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেনশিং অমদি অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন বোনিনা হৈন-শিংনা শান্নদুনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরকখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১৬.৪ লোইবদা কে সী সীগী ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট রন ১২৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কে সী সীনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা কে সী সীগী বোনিনা তাখি।

অমরোমদা, য়ু সী সী অমসুং বি এস সী-বিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস বি এস সী-বিনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২০২ লৌবা ঙমখি।

বি এস সী-বিনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৪ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু য়ু সী সীনা রন ৬৮দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা য়ু সী সীগী রোমান সোরামনা তাখি। মহাক্না বোল ৪০ মায়োক্নবদা রন ৯৯ লৌরমখি।

# জমশেদপুর এফ সী মায়থীবা পীরল্লগা সী এফ এনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা শিল্লোংদা হৌজিক চথরিবা রিলায়ন্স দিভপমেন্ট লীগকী ওইনা ঙসি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) অমসুং জমশেদপুর এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা সী এফ এনা জমশেদপুর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরল্লগা পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ১৬ ফংলগা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।




মেঘালয়গী ৱাহিয়াজর মল্টিপর্পজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবদগী হৌরগা সী এফ এ অমসুং জমশেদপুর এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী এফ এগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা সী এফ এনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫২ ওইখিবা মতমদা জমশেদপুর এফ সীনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৮ ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা সী এফ এনা জমশেদপুর এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। সী এফ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪৯, ৮০ অমসুং অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ভারত লাইরেঞ্জম, পাওনম গোবিন অমসুং এম দি অর্বাজনা মথংশিংনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

# থাঙ-তাগী কাঙলোনশিং উৎকনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচ এন এস):** অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা থাঙ-তা কাঙলোনশিং উৎকনি হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেশন ওক্রম মোংয়াম্বা মোইরাংচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা লুপ অসিনা চহী খূদিংগী নুমিৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী হৌরগা লেপ্পা লৈতনা পালন থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি য়েলহৌ মশান্নশিং য়োকখৎপা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্তুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা লৈহনবা, শান্নরোয়শিংগী মতিং ফূদোক্তুনা মালেমদা মশক তাকপা অমদি হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিং অচঙবা য়ূম্বীরেল অমমম্ ওইহন্দুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপনি। লমদমসিদা লৈরিবা থাঙ-তা সবজেক্ট হাপ্লিবা স্কুলশিং অমদি থাঙ-তাগী শীন্তমশঙ কয়াগা খূৎশম্লদুনা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা থাঙ-তাগী কাঙলোনশিং উৎকনি। লোয়ননা স্কুল-স্কুলশিং অমদি থাঙ-তাগী শীন্তমশঙশিংদা হায়রিবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা থাঙ-তাগী কাঙলোনশিং উৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা আপীল তৌরক্লি।

# এমসু অমসুং এম এস এফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেশন (এম এস এফ)না শীন্দুনা চথরিবা ৭লক শুবা মণিপুর প্লেয়র্স দে ইনভিটেশনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং এম এস এফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমসুং অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শীনপাং লুপ (এইমস)সু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন (কে এস এ)না এমসু মায়থীবা পীখ্রে।


ঙসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা কে এস এ অমসুং এমসুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে এস এগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু কে এস এনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

হয়েংদগী হৌরগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওইনা সেমীফাইনেল মেটচশিং শান্ননবগীদমক লাইনঅপ তৌবা লোইখ্রে। হয়েং নুংথিল টিম এগী গ্রুপ ৱিন্নর দেসামনা টিম বিগী রন্নর্স অপ কে এস এগা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি। অদুগা টিম বিগী ৱিন্নর এম এস এফকা টিম এগী রন্নর্স অপ এইমসকা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেশন (এম এস এফ)কী মায়কৈদগী হৌজিক চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মীয়াম্না মপূং ফানা পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়না আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ২৫দা চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনগনি হায়রি।

DELHI PUBLIC SCHOOL
MATHURA ROAD, NEW DELHI-110003
website: www.dpsmathuraroad.org
Admission Notice
Class IX and XI (2025-26)
for BOARDERS
Boarding facilities available for BOYS seeking admission in Class IX and XI. Boarders are prepared for Competitive Exams - Engineering, Medical, CLAT, CUET etc. by expert teachers.
Please visit the website www.dpsmathuraroad.org for the Registration Form.
Dr.Ram Singh (Principal)
HL-B/9353/23

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1402**

**Richard Jingjie Liu (1796) - David Junyang Zhu (1826)**
**132nd ch-NZL Open 2025 Auckland NZL, 2025.01.06**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 g6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Bg7 | 5.Be3 Nc6 |
| 6.Nc3 Nf6 | 7.Bc4 O-O | 8.Qd2 Ng4 | 9.Nb3 Nxe3 | 10.Qxe3 a6 |
| 11.a3 d6 | 12.O-O Bd7 | 13.Rad1 Ne5 | 14.Be2 Rc8 | 15.f4 Nc4 |
| 16.Bxc4 Rxc4 | 17.e5 Bc6 | 18.Nd2 Rc5 | 19.b4 Rxc3 | 20.Qxc3 Qb6+ |
| 21.Kh1 Rc8 | 22.Qg3 Ba4 | 23.exd6 exd6 | 24.Ne4 Rxc2 | 25.Rxd6 Qc7 |
| 26.Qd3 h6 | 27.f5 Bb5 | 28.Rd8+ Kh7 | 29.fxg6+ fxg6 | 30. ... |


**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1401 Solution :**

**13. Qh6** Mating net Opening the line from e5 to h8. **Be5**
13...Bxh2+ 14.Kh1 Be5 15.Bxe5 gxh6 16.Nxh6#
13...Nxb2 14.Qxg7#
13...gxh6 14.Nxh6#
**14. Bxe5 gxh6**
14...b5 15.Qxg7#
14...a6 15.Qxg7#
14...Ncxe5 15.Qxg7#
14...Ngxe5 15.Qxg7#
**15. Nxh6#** Dragonfly mate
**1-0**



Title : Poller Light
By : Laishram Aaron Paul
Class : VI Roll No. : 13 Sec. :
School : Christ Jyoti English School



Title : Titandrill Man
By : Aarush Ngangom
Class : II Roll No. : Sec. : C
School : UNACCO School




Title : WHY GI-HUN DIDN'T SMILE
By : Aiden Phuritshabam
Class : I Roll No. : 2 Sec : A
School : Rama Krishna Mission School



Title : Hulk
By : Bharat Khangembam
Class: I Roll No. : 3 Sec. : Tulip
School : R.M. School



Title : Peacock
By : Soibam Chenchen Meitei
Class : II Roll No. : 2 Sec. :
School : Ningombam Jr. High School, Ningombam



Title : Goku Super Saiyan 13
By : Derickson Maibam
Class : I Roll No. : 12 Sec : C
School : JJ School Montessori, Ghari




Title : Rose
By : Okram Deshina Devi
Class : X Roll No. : Sec. : B
School : St. George High School, Wangkhei



Title : A Parrot
By : Henthoiba Takhellambam
Class : Nursery Roll No. : 44 Sec. : A
School : R.B. Academy Lamshang



Title : Roronao Zoro
By : Athokpam Lamjingba
Class : III Roll No. : 3 Sec. :
School : AI Eduvillage Ningombam Village Road



Title : An apple
By : Langlenthoi Khangembam
Class: III Roll No. : 26 Sec. :
School : New Model Public School, Kumbi




Title : Scenery
By : Khuraijam Likla Chanu
Class : II Roll No. : 3 Sec. : C
School : Standard Robarth Hr. Secondary School



Title : Warships
By : Lingjeleiba Soubam
Class : II Roll No. : Sec. :
School : Regular School, Kwakeithel



Title : Scenery
By : Kh. Lingjelthoibi Chanu
Class : II Roll No. : 2 Sec : A
School : Eminent School, Khoijuman



Title : Cherry Blossom Tree
By : Charoibam Malemnganba Meitei
Class: II Roll No. : 14 Sec. :
School : Diviner School




Title : Table Lamp
By : Oinam Nelson Singh
Class : III Roll No. : 3 Sec. : A
School : The Special Regular Eng. School, Nambol



Title : Santa Claus
By : Pikusana Thokchom
Class : II Roll No. : 45 Sec. : A
School : Nirmalabas Jr. School, Luwangsangbam




Title : A House
By : Pratibha L.
Class : I Roll No. : Sec. : C
School : Nirmalabas School Junior



Title : Panda
By : Trinity Salam
Class : III Roll No. : 2 Sec. : A
School : Little Bird School, Moirang



Title : Scenery
By : Vivek Sagolshem
Class : I Roll No. : Sec. :
School : Christ Jyoti School, Mantripukhri



Title : Global Warming
By : Wangthoiba Angom
Class : I Roll No. : 7 Sec. : Tagore
School : Kendriya Vidyalaya, Akampat

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com